VALID UPTO 19TH OCT.
SAMSUNG লুহোং-মচল
WATER PURIFIER EUREKA FORBES FREE
SAMSUNG 40' LED
SAMSUNG REFRI (FLOWERING) 190 LT.
SAMSUNG 7 KG OR INTEX 8 KG WASHER
₹ 52,000/-
FREE ₹4999
SAMSUNG 32' LED
SAMSUNG REFRI (FLOWERING) 190 LT.
SAMSUNG 7 KG
₹ 39,999/-
FREE ₹4999
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.

ꯅꯍꯥꯔꯣꯜꯒꯤ ꯊꯧꯗꯥꯡ

নহারোলগী থৌদাং

A newspaper dedicated to the cause of Human Rights

INTEX
WASHING MACHINE
6.2 KG ₹ 9000 = ₹ 7800
7.2 KG ₹ 10000 = ₹ 8999
8KG ₹ 11500 = ₹ 10200
REFRIGERATOR
180 L 1902GT ₹ 13990 = ₹ 11500
215 LTR ₹ 19190 = ₹ 12999
INTEX LED (3 YRS WARRANTY)
43' LED FULL HD ₹ 41990 = ₹ 28000
40' LED HD ₹ 32990 = ₹ 22500
32' LED (TV) ₹ 18990 = ₹ 13500
55' SMART LED 4K
₹ 49,999/-
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা আর এল আই স্কিমশিং মথৌ তৌহন্দুনা ইকং থোক্লবা লৌফমশিংদা ঈশিং পীবা

মণিপুরগী ইশু কয়াগী মতাংদা এমসুগী প্রসিদেন্ট মঞ্জিৎ সরাংথেমনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথতা -কৎ চেরোল পীশিনবা

২৪ শুবা চহি, ইশু ১২২ | www.naharolgithoudang.in | ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১, ২০১৮ ইং, মেরাগী নিনি পানবা, শগোলশেল | RNI 66117/96 Postel Regd. No. MNP | মমল লুপা ৩.৬০

অতেনবা পাউ

বোম পোকখায়বদা ২ শিরে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎ তাং ৬ দা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডরগী মণিপুররোম থংবা শরক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক তৌনবা আই ই দি প্লান্ট তৌবদা লালহৌবা ২ শিরে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়রিবদি, আই ই দি অদু ম্যান্মারগা তায়নবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোলচাম ভিলেজগী উমংগী শরুক্তা প্লান্ট তৌনবা হোৎনবদা খঙহৌদনা পোকখায়রকপদগী লালহৌবা অনি অদু লৈখিদবনি হায়রি।

এম য়ু কম্যুনিটিনা কন্দেম তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মহৈরোইশিংনা চংশিনখিবা খোঙজং অদুগা মরী লৈননা পুলিসতা কা হেনবা থৌওং কয়া চৎখিবা অমসুং মহৈরোই ১৩ ফাজিনখিবগী থৌওং এম য়ু কম্যুনিটিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তাবা মতমদা মুটাগী প্রসিদেন্ট প্রোঃ আই তোম্বনা চেয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা, মুটা অমসুং মুসাগী ইমরজেন্সি একজিক্যুটিভ মীটিংনা পুলিসকী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরদুনা ফাজিনখিবা মহৈরোই ১৩ অদু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্কদবনি হায়না দাবী তৌখি। মীফম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা অথুবা মতমদা এম য়ু ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্নবা দাবী তৌখি হায়রি।

কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ নোংচুপবনা মরম ওইরগা লবুকশিং ইকং থোক্লিবা অমসুং ঈশিংগী অৱাবা লৈরিবসি কোকহন্নবা মণিপুর সরকারনা ষ্টেট লেভেল কম্মিটি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কোওর্দিনেটিং কম্মিটি শেমখ্রে।

ষ্টেট লেভেল কম্মিটিদিনা চিফ সেক্রেটরিনা চেয়ারমেন অদুগা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী এদিসনেল চিফ সেক্রেটরি এগ্রিকলচর য়াওনা মীওই ১০না মেম্বর ওইরি। কম্মিটি অসিনা ইকং থোকপা অমসুং করিদগী ইকং থোক্লিবনো হায়বদু থিদোক্তুনা তুং কোইনা চৎকদবা (মখা লা ৫দা)

হৱাদা লৈরাংদো

ঈচাওগী অৱাবা লৈত্রে... ইকংগী অৱাবা অমুক কোক্লবা হোৎনরগনি।



এময়ুগী এ ব্লোক তম্না থোমজিল্লকখিবা পুলিসনা তানখায়খ্রে মহৈরোই ১৩ ফাজিনখ্রে, দিপার্টমেন্টশিং সট দাউন তৌখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱাথোক্লা মরী লৈননা ঙসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোইশিংনা পুলিসনা ফাজিনখ্রবা মহৈরোই অমসুং ওজাশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়না এ ব্লোক তম্না থোমজিন্নবা হোৎনবদা পুলিসকা চাওনা মুরুবা থোকখ্রে। অদুমকপু পুলিসনা টিয়ার গ্যাস অমসুং মোক বোমশিং কাপ্পুনা মহৈরোইশিং তানখায়খ্রে। মখা তাবা পুলিসকী এক্সনদা মহৈরোই ১৩ ফাজিনখ্রে।

য়ুনিভর্সিটি ৱাথোক্লা মরী লৈননা ফাজিনখিবা মহৈরোইশিং অমসুং ওজাশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি। থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রবা ফেকলটি মেম্বরশিংগী ওর্দর খুদক্তা রিভোক তৌগদবনি হায়না ঙসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোইশিংনা ৱাকৎ মীফম চৎখি।

খোঙজং অদুদা বাইও কেমিষ্ট্রি, পোলিটিকেল সাইন্স, সোসিয়েল সাইন্স, মণিপুরী লেঙ্গোইজ, এন্থ্রোপোলোজি অমসুং আর্থ সাইন্স দিপার্টমেন্টকী মহৈরোইশিংনসু শৌগৎতুনা মখোয় মখোয়গী দিপার্টমেন্টশিংদা সটদাউনগী খোঙজং চংশিনখি।

খোঙজং অদুগী মনুং নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবদা মহৈরোইশিং অদুনা য়ুনিভর্সিটিগী এ ব্লোক্তা থোমজিন্দুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভি সি ইন চার্জ প্রোঃ ৱাই য়ুগিন্দ্রোগা উন্নবা হোৎনখি। লোয়ননা খোল্লাও কয়া লাওখি। থৌদোক অদুদা পুলিসকী মাইকৈন্দগী ইরাং অদু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা নাকল অনিমক্তা চাওনা মুরুবা থোকখি। অদুমকপু ইরাং অদু কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবদগী অহেনবা ফোর্সশিং থোমজিল্লকখি। লোয়ননা পুলিসকী মাইকৈন্দগী মোক বোম অমসুং টিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপ্পুনা তকথোক্লবা হোৎনবদা মহৈরোইশিংগী মাইকৈন্দগী নুংনা থাজিল্লকপদগী ইরাং অদু হেন্না চাওথোরকখি। থৌদোক অদুদা পুলিসকী জিপসি অমগী ফ্রন্ট গ্লাস কায়খি। অদুমকপু পুলিসনা ঙমদুনা কন্ট্রোল তৌখি।

পুলিসকী এক্সন অদুদা খোঙজং চংশিল্লিবা মহৈরোই কয়া বোইজ হোষ্টেল তম্না চংশিনখিবদগী পুলিসনা মখা তানা য়ুনিভর্সিটিগী মেন হোষ্টেলশিংদা মহৈরোইশিং নত্তবশিং য়াওব্রা হায়না হোষ্টেলদগী কৌথোক্লগা পরেং শানা লেপহন্দুনা ভেরিফিকেসন চৎখি। ওপরেসন মনুংদা এম য়ুগী মেইন গেট থিংজিন্দুনা কনামত্তা চংহনখিদে। লোয়ননা ওপরেসন অদুদা মীওই ১৩ মখা তাবা ভেরিফিকেসনগীদমক ফাগৎখ্রে।

ওপরেসন অদুগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি যোগেসচন্দ্রহাওবিজমনা ফোঙদোকখিবদা, য়ুনিভর্সিটিগী মেন হোষ্টেলশিংদা ঙসি ভেরিফিকেসনগী দ্রাইব অদু মরী লৈনবা ওথোরিটি অমসুং হোষ্টেলগী ৱার্দেনদা পাউ পীরবা মতুংদা চৎখিবনি। ওপরেসন অদু মপুং ওইনা হোষ্টেলদা মহৈরোই নত্তবা অতোপ্পশিং লৈব্রা হায়বা খঙদোক্লবা চৎখিবনি। লোয়ননা চিংনবা মীওই ১৩সু মখা তাবা ভেরিফিকেসনগীদমক ফাগৎলে হায়খি। *(মখা লা ৪দা)*

চহী ১৫ হেল্লবা গারি থৌবা থিংলে মতম হেল্লবা গারি থৌরম্বশিং ফাগৎলগনি

ঃ মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দ

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ মণিপুরদা গারি চাকা অনি পানবা অমসুং চাকা ৪ পানবা য়াওনা গারিগী লাইফ স্পান চহী ১৫ হেল্লবা মখল খুদিংমক্কী গারিশিং চেনবা অমসুং থৌবা থিংজিল্লগনি, চেল্লম্বশিং ফাগৎপা হৌরগনি হায়না মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চিয়ারমেন এল রাধাকিশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লম্ফেলপাত্তা লৈবা মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অদুদা মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চিয়ারমেন এল রাধাকিশ্বরনা হায়, মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ঈশিং-নুংশিৎ, খোঞ্জেল (নোইস) অমসুং গারিশিংগী স্মোক (মৈখু)নচিংবা কয়া টেষ্ট তৌদুনা ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবা চাওরবা থৌদাং কয়া ঙসি ফাওবদা পায়খৎতুনা লাক্লি।

মতম হেল্লবা গারিশিংনা মৈখু য়ান্না চেন্না থৌবা, ঈশিং-নুংশিৎ কয়া মোৎহনবা অমসুং গারিশিংগী অহৌবা মখোল খোঞ্জেলনচিংবা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মীয়ামগী চাওরবা মতেং দরকার লৈ। ইনভাইরোনমেন্ট কনবা হায়বা অসি ঐখোয় পুন্নমক্কী ইথৌদাংনি। বোর্দ অসিনা ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবা মীয়ামদা লাওথোক্তুনা খঙহনখিবা চৎনবী কয়া মীওই অয়াম্বনা নিংথিনা ইন্দবগী মমি তারি। মসি লাইবক থিবনি।

ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবা বোর্দ অসিনা ইম্ফাল সিটি অসিদা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১ দগী হৌদুনা সেপ্টেম্বর ২৬ ফাওবা কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন, বিটি পার্ক, ৱাহেং লৈকাই, জিরিবাম দিসি বঙ্গলো মনাক, ইম্ফাল হেদ পোষ্ট ওফিস মমাং, কালিমাই মন্দির মোইরাংখোম, রাজভাবন সাউর্থন সাইদ জিপি কলেজ মনাক, নাগামপাল শিংজুবুং লৈরক, শিংজমৈ পার্কিং, উরিপোক ইবোতোনম্না স্কুল মনাক অমসুং সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক ক্রোসিংগী মফম ১১ দা এম্বিএন্ট নোইজ ষ্টেন্দর্দ শিজিন্নদুনা নোইজ পোল্লুসন(কন্ট্রোল এন্দ রেগুলেসন) রুলস,২০০০ গী মখাদা টেষ্ট তৌখি।

মসিগী মমাংদা চৎলিবা চহী ২০১৮ অসিগী হৌগৎলকপা জনুৱারী ১৫ দগী ২২ ফাওবসু সিটি অসিগী অকোয়বদা লৈবা বির টিকেন্দ্রজিৎ পার্ক, গভর্নর রোদ, লম্ফেলপাৎ বজার, শিংজমৈ পার্কিং, ক্বাকৈথেল বজার, তেরা বজার অমসুং চিংমৈরোং খোংনাংকারক্লচিংবা কয়াদা এম্বিএন্ট নোইজ লেভেলকী টেষ্ট পাঙথোকখিবা লৈরে।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১ দগী ২৬ ফাওবদা চৎখিবা নোইজ (খোঞ্জেল) গী রেকোর্দ অসি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভমদা লৈরম্বা থেংনখি। এম্বিএন্ট নোইজ লেভেলগী পার্মিসিবল নোর্মেল ওইনা লৈগদবা চাং অসি দিসিবেল ৬৫ ওইগদবনি। অদুবু কৈশাম্পাৎ জঙ্কসননা দিসিবেল ৭৫.৫ ফাওবা য়ৌখি।

মতৌ অসুন্না বিটি পার্কতা ষ্টেন্দর্দ দিসিবেল ৫০ লৈগদবদা দিসিবেল ৭৫ ফাওবা য়ৌখি। ৱাহেং লৈকাইদা দিসিবেল ৭৭.৯ ফাওবা য়ৌখি। মতৌ অসুন্না ইম্ফাল হেদ পোষ্ট ওফিসতা দিসিবেল ৭৭, কালিমাই মন্দির মোইরাংখোম মনাক্তা তৌখিবা টেষ্টতা দিসিবেল ৭৭.৫ য়ৌখি। অসুন্না রাজ ভাবন সাউর্থন সাইদ জিপি কলেজ মনাক, নাগামাপাল, শিংজমৈ পার্কিং য়াওনা টেষ্ট তৌখিবা মফম খুদিংমক্তা স্টেন্দর্দ দিসিবেল অদুদগী হেনগৎনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভমদা লৈখি। *(মখা লা ৫দা)*

ফাজিনখিবশিং থাদোক্তুনা এম য়ুদা নোর্মেলসি লাকহন্নবা হোৎনগদবনি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ য়ুনিভর্সিটি ৱাথোক্লা মরী লৈননা ফাজিনখ্রবা ওজাশিং অমসুং মহৈরোইশিং কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্কদবনি, এম য়ুগী ভি সি ইন চার্জ প্রোঃ য়ুগিন্দ্রোনা মহৈরোই অমসুং ওজাশিংগী মথক্তা এফ আই আর লোদজ তৌরিবা অদু খুদক্তা হন্দোক্কদবনি হায়না ঙসি মহৈরোইশিংনা চংশিনখিবা খোঙজংদা পুলিস কম্মান্দোশিংনা অহেনবা থৌওং কয়া চৎখিবা কন্দেম তৌই। ফাজিনখিবশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্তুনা এম য়ুদা নোর্মেলসি লাকহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না ঙসি এমসু হেদ ক্বার্টরসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহৈরোই লুপ ৬কী কনভেনর এন মিলননা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা ঙসি মহৈরোইশিংনা চংশিনখিবা খোঙজং অদুদা পুলিসকী মাইকৈন্দগী টিয়ার গ্যাস অমসুং মোক বোমশিং কাপশিন্দুনা অমসুং ফু চৈখিবগী থৌওং চৎখিবা অসি মহৈরোই লুপ ৬না হকচিন্না লৌই। এম য়ু ৱাথোক্লা মরী লৈননা চংশিনখিবা খোঙজংদা পুলিসকী মাইকৈন্দগী এমসুগী মীওই ১১, সুক্কী ৩, কে এস এগী একজিক্যুটিভ মেম্বর ২, এইমসকী একজিক্যুটিভ মেম্বর ২, দেসামগী লুচিংবা ১১ অমসুং এম এস এফকী মীওই ২সু লালহৌবগা মরী লৈনৈ হায়বা চার্জ কয়া পাশিন্দুনা জেলদা থমজিনবা অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। *(মখা লা ৫দা)*

মহারাজ নরসিংহ অমসুং হিরাচন্দ্রগী মুর্ত্তি লুপা ক্রোর চংনা জানুৱারী ৯ নংনবা খিল্লগনি

ঃকে শ্যাম

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ হৌখিবা চহী ১৮১৯ - ১৮২৬ ফাওবদা মণিপুরদা চহী ৭ খুন্তাক্তুনা অৱা অনা কয়া মায়োক্নখিবা অদুদা মনিং তম্বা মণিপুর অমগীদমক থৌনা ফনা লাম্থেংনখিবা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবা নরসিংহ অমসুং হিরাচন্দ্রগী চাওরাক্লা ফুট ১৩ রোম ৱাংবা মুর্ত্তিশিং মথং চহী ২০১৯গী জানুৱারি ৯ নংনবা ইম্ফালগী কাঞ্চিপুরদা লৈবা মহারাজ গম্ভীর সিংহগী মুর্ত্তি খিল্লিবা মফম অসিদা খিল্লগনি। মসিগীদমক সরকারগী মাইকৈদগী লুপা ক্রোর ২ সেঙ্কসন তৌখ্রে হায়না ঙসি লংথবাল কুঞ্জা ময়াই লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎকী থৌনিজবা থৌরমদা সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটি, ফিক্সন এন্দ পোইত্রি ক্লব মণিপুর অমসুং দিভাইন লাইফ ক্লব কাঞ্চিপুরনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা মখা তানা হায়খিবদা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবা কয়াগী নীংশিং খুভম কয়া শেমগৎলিবা অসিগী মনুং চন্না কাঞ্চিপুরদা মহারাজ গম্ভীর সিংহনা শগোল মথক্তা থাং পায়দুনা লাম্থেংনবগী মুর্ত্তি খিল্লি। খোঙজোম ৱার সেমিত্রি শেমগৎলি। চহী ৭ খুন্তাকখ্রবা লমদম অসিবু মনিং মখা তম্বা লমদম অমা ওইনবা থৌনা ফনা দাইত্য লৌখিবা মহারাজ গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিংহগী মুর্ত্তিসু খিনফম থোকই হায়না চিফ মিনিষ্টরদা হায়জরুবদা য়ারকখিবগা লোয়ননা মথং চহীগী জানুৱারি ৯ নংনবা মুর্ত্তিশিং অসি খিল্লগনি হায়খি।

অমরোমদা ঙসি মণিপুরদা লৈরিবা অইবা অইবী কয়াসু ডাঃ লমাবম কমলগুম্না ঙসি অমসুং তুংগী মীরোলনা শক্ক শোন্নগনি হায়বসি মহাক্কী থাজবনি। ঙসি লংথবাল কুঞ্জা অসি সাহিত্যদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা ডাঃ কমলনা পোক্লম্বদগী *(মখা লা ৫দা)*

মণিপুরগী ইশু কয়াগী মতাংদা এমসুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী পুক্নিং চিংশিনখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ইশুশিং মরুওইনা এম য়ু ৱাথোক, ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডর ইশু অমসুং ইন্দো-নাগা পিছ টোক অসিগা মরী লৈননা খুদক্তা মীৎয়েং চংদুনা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎপীয়ু হায়না ঙসি এমসুগী মাইকৈদগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথতা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে।

এমসুগী প্রসিদেন্ট মঞ্জিৎ সরাংথেমনা সহি তৌদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথতা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা য়াওরিবশিংদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং ফাইনান্সিয়েল ইরিগুলরিটিসকা মরী লৈননা এময়ুগী ভি সি এ পি পান্দে মফম লৌথোক্কদবনি হায়না চংশিনখিবা খোঙজং অদুগী মনুং চন্না আগষ্ট ১৬তা ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েলশিংগা মেমোরেন্দম ওফ এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনদুনা নোর্মেলসিদা হল্লকখ্রবা মতুংদা সস্পেন্দদা লৈরিবা এ পি পান্দেনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট থুগায়দুনা মহাক্কী রিকম্মেন্দেসন্দা প্রোঃ য়ুগিন্দ্রো এপোইন্ট তৌরম্বদগী য়ুনিভর্সিটিগী তং তাদবা ফিভম অমা মায়োক্নখিবনি। মরম অদুনা প্রোঃ ৱাই য়ুগিন্দ্রো প্রো ভি সিগী ফমদগী লৌথোক্কদবনি। ম্যান্মারনা বোর্ডর পিল্লর নম্বর ৮১ ক্বাথাগী শরুক্তা ম্যানমারনা ইন্দিয়াগী *(মখা লা ৫দা)*

কোরকোমনা টোটেল সট দাউন লাওথোকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ লৈবাক্কী মাংখিবা নীংতম্বা অমুক হন্না হঞ্জিন্নবা লমদম অসিদা লিশাং শিংনা চখরক্লিবা নীংতম য়াওল্লোইশিংনা ওক্টোবর ১৫বু হকচিন্না লৌদুনা নেসনেল ব্লেক দে হায়না লাওথোক্তুনা লাকপগী পরিংদা হন্দক চহী অসিগী ওক্টোবর ১৫গী অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা কোরকোমনা মণিপুর পুম্বা টোটেল সট দাউন লাওথোক্লে হায়না আইন্না থিংখ্রবা লুপ অসিগী পব্লিসিটি কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা ৱেসিয়াদা মনিং মখা তম্না ইংনা চিক্লা কনাগীসু মীখা পোন্দনা পানজরম্বা মণিপুরবু লম করাম্বা ইনি দয়ানা শুপ্নম তৌদুনা লৌশিনখিবা ঙসিদি চহী ৬৮ মপুং ফারক্লে। ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫ থাংজ নুমিৎতা মণিপুরবু ইন্দিয়াগী খুবামনুংদা পায়শিল্লে হায়না লৈবাক মীয়ামদা লাওথোকখিবা অদু ঐখোয়গী মীয়াম্না য়ানিংদে অমসুং মতম অদুগী নিংথৌ বোধচন্দ্রগা শুপ্নম তৌদুনা য়ানখিবা ৱারোল অদু নমথাক্কী মার্জর এগ্রিমেন্টনি হায়দুনা ঙসি ফাওবা মীয়ামগী য়ানিংদবা খোল্লাও লাওদুনা লাক্লি। কংলৈপাক্কী অনৌবা পুৱারী অমা হৌখিবসি মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবনা পানবা ৩৩ এ দি দগীনি হায়না রেকোর্দ তৌদুনা থল্লম্বা চৈথারোল কুম্বাবদা ইরি। মৈদিংঙু লোইয়ুম্বনা পানবা ১০৭৪-১১২২ এ দি দগীদি লৈবাক্কী অহানবা কন্সটিট্যুসন লৈজদুনা ১৮৯১ এ দি ফাওবা মতম মতমগী কন্সটিট্যুসন অসি শেমদোক্ল রগা লাকখি।

লিশাং শিংনা চখরকখিবা পুৱারীগী লিক্লমদা থেংখাং খরা নত্তনা লৈবাক্কী নীংতম্বা মাংলকখিদে। অদুবু এঙ্গলো মণিপুর ৱারদা মায়থিদুনা ১৮৯১গী এপ্রিল ২৭ দগী ১৯৪৭গী আগষ্ট ১৪ ফাওবা বৃটিশ প্রোটেক্টোরেট ওইনা লৈরকখি। বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক মখাদা চহী ৫৬ চুপ্পা লৈরবা মতুং বৃটিশকী পেরা মাউন্সি হন্দোরকপদগী মণিপুরসু ১৯৪৭ গী আগষ্ট ১৪গী অহিং নোংয়াইদা মনিং তম্বা লৈবাক অমা ওইখি। *(মখা লা ৪দা)*

য়ুপিআরএফএমনা জেনরেল ষ্ট্রাইক লাওথোকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ নম্ফুগী মার্জর এগ্রিমেন্ট তৌদুনা মণিপুরবু ইন্দিয়ানা লৌশিনখিবা নুমিৎ ওক্টোবর ১৫ বু য়ু পি আর এফ এমনা ব্লেক দে হায়না লাওথোক্তুনা মণিপুর পুম্বদা তাং ১৪গী অহিং নোংয়াইদগী তাং ১৫ গী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা জেনরেল ষ্ট্রাইক লাওথোক্লে হায়না আইন্না থিংখ্রবা লুপ অসিগী চেরোল অমদা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, ইন্দিয়ানা মণিপুরগী নিংথৌ মহারাজ বোধচন্দ্রবু শিলোংদা মোইথেম তৌদুনা কৌরগা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লগা, কিহল্লগা মালেমগী চৎন-কাংলোন কয়াবু খোঙ্গাওনরমদুনা মণিপুরগী দিমোক্রেটিক ফোর্ম ওফ গর্ভর্নমেন্টকী লেজিসলেচর মীয়ামগী হাউসকী ৱারেপ য়াওদনা ইন্দিয়ানা মনিং তম্লরুবা লৈবাক মণিপুরবু এনেক্সসন তৌনবা নমথোক্লবা ৱারোলশিংদা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বরগী তাং ২১ দা নমদুনা সাইন তৌহল্লগা চহীদুমক্কী ওক্টোবর ১৫দা লাওথোক্তুনা মণিপুরগী নীংতম্ববু মাংহনখিবা নুমিৎপু য়ুপি আর এফ এমনা মণিপুর নেসনগী হিষ্ট্রিদা ব্লেক দে হায়না লাওদুনা নুমিৎ অসিদা মণিপুর পুম্বদা পুং ১৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক লাওথোক্লে হায়রি।

মহারাজ বোধচন্দ্রগী লিচিং মখাদা খুন্নাইসিদা দিমোক্রেটিক ফ্রেম ওফ গর্ভর্নমেন্ট অমা শেম্লবসু মদুগী অহানবা *(মখা লা ৪ দা)*

য়ুএনএলএফনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

সেকেন্দ লেফটিনেন্ট ৱাংলেনসনা

সর্জন লিফাবা

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ হৌখিবা ওক্টোবর ৮ নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১.২০ তাবদা ২৯৩ বট্টালিয়নগী এরিয়া ওফ কোওপরেসন্না কোনবা মফম অমদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা মমল য়াম্লবা য়ু এন এল এফ / এম পি এগী য়াওল্লোই অনি সেকেন্দ লেফটিনেন্ট ৱাংলেনসনা অমসুং সর্জন লিফাবা লৈখিদ্রে হায়না আইন্না থিংব্রা য়ু এন এল এফকী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী ডাইরেক্টর এম শকহেন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

(মখা লা ৪দা)

সরকারগী দিপার্টমেন্ট ২২ অমদি ৱার্ক এজেন্সী ৬না পায়খৎপা এন:ই:সি: প্রোজেক্টশিংগী য়ু:সি: অমসুং ষ্টেটস রিপোর্ট কৌরকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল ওক্টোবর ১০: ষ্টেট অসিদা দোনর (দিভেলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্ট রিজন) মিনিষ্ট্রীগী মখাদা এন:ই:সি (নোর্থ ইষ্টর্ন কাওন্সীল) না অচৌবা শেল্হং থাদদুনা মণিপুর সরকারগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ২২ অমদি ওটোনেরমস অমসুং প্রাইভেট ৱার্ক এজেন্সী ৮ না পায়খৎপা এন:ই:সি: প্রোজেক্টশিংগী অপ্তুদেট ওইবা য়ু:সি: (য়ুতিলাইজেসন সার্টিফিকেৎ), থবক লোইরবা প্রোজেক্ট ওইরগনা লোইরে হায়বগী কমপ্লেসন সার্টিফিকেট (সি:সি:) , মরক্কী ওইনাথা ৩ গী প্রোগ্রেস রিপোর্ট (কিউ:পি:আর:) অমসুং থবক লোইশিল্লগনি হায়বগী নৌনা টার্গেৎ তৌবা মতম তাকপা ষ্টেটস রিপোর্ট থাগৎলক্লবা রিপোর্ট কৌরকখ্রে।

এন:ই:সি: প্রোজেক্টশিং পায়খৎপগী মতাংদা কাওন্সীল অসিগী মখাদা নোদেল দিপার্টমেন্ট অমা ওইনা লৈরিবা প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী খুখাংদা এন:ই:সি: প্রোজেক্টশিং পায়খৎপগী য়ু:সি: অমদি সি:সি: য়াওনা ষ্টেটস রিপোর্ট কৌরকখ্রবা সরকারগী লোইশংশিং অদুদি ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্ট, ৱার্ক্স, এগ্রিকলচর, ফিশরীজ, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন, হেলথ, ত্রেদ কমর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি, ত্রাইবেল এফেয়ার্স এন্দ হিলস, হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদুকেসন, স্কুল এদুকেসন, য়ুথ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টস (য়াস), ত্রান্সপোর্ট, টুরিজম, আর্টস এন্দ কলচর, সরকারগী কোর্পোরেসন ওহোকখ্রবা পৱার, ৱাটর রিসোর্সেস, মাইনর ইরিগেসন (এম:আই:), ভেটেরিনেরী এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রী, ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজী (আই:টি:), সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজী অমদি পব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারীং দিপার্টমেন্ট (পি:ঐচ:ই:দি:) অসিনি।

অতৈ এন:ই:সি:না রিপোর্ট কৌরিবা ৱার্ক এজেন্সীশিং অদুনা মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পনী লিমিটেদ (এম:এস:পি:সি:এল:), সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজী দিপার্টমেন্টকী মখাদা ওটোনোমস বোদী অমা ওইনা লৈরিবা মণিপুর রিমোৎ সেন্সিং এপ্লালইএন্স সেন্টর (মার্সেক), মাহুদ দিপার্টমেন্টকী এজেন্সী অমা ওইরিবা প্লান্নিং এন্দ দিভেলমেন্ট অথারিটী (পি:দি:এ:), ষ্টেটনা চলাইরিবা মণিপুর দিভেলপমেন্ট সোসাইটী (এম:দি:এস:) প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনা স্পোন্সর তৌবা মণিপুর ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট এজেন্সী (মিদা), ত্রাইবেল দিভেলপমেন্ট (তি:দি:) দিপার্টমেন্টকী বোদী অমা ওইরিবা ত্রাইবেল রিসার্চ ইন্সটিট্যুট (তি:আর:আই:) অমসুং মণিপুর ত্রাইবেল দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এম:তি:দি:সি:), প্রাইভেট হেলথ ইন্সটিট্যুট ১ ওইরিবা শিজ হেলথ কেয়ার ইন্সটিট্যুট নি।

মমাং থাগী ১৪ দা মেঘালায়া ষ্টেটকী কোনুং শিল্লোংদা হেদ ক্বার্টর ওইরিবা এন:ই:সি: সেক্রেটরী এটতা পাঙথোকখিবা মণিপুর অমদি শিক্কিম য়াওনা অৱাং-নোংপোক লমদমগী ষ্টেট ৮ গী আউট ষ্টেন্দিং ওইবা এন:ই:সি: না *(মখা লা ৫ দা)*

UNACCO SCHOOL
Excellence in Education
Meitram, Imphal West, Manipur
* E-mail: info.unaccoschoolmeitram@gmail.com * Phone No.: 8414996342
Excellence is our culture, it will continue,.......
REGISTRATION OPEN
For the Academic Session 2019-20
From Pre-Nursery to Class VII
FEATURES
- State of the Art Campus, 24 hours Security
- Digitally equipped Class rooms, CCTV, Wifi Internet etc.
- Reliable, dedicated Transport facility
- Boys and Girls Hostel Facility
- Indoor and Outdoor Sports Facilities
- Experienced and Best Faculties
- Medical Facility
- Hygienic Dining, Canteen

মনুংদাঃ অওনবা মণিপুর অমা পুরকপদা মীয়ামগী অচৌবা ঈহৌ ১ মথৌ তারি (এদিটোরিয়েল), লৈবাক্কী পাউ- মপানগী পাউ, ষ্টেটকী পাউ, খঙজিনবদা কান্নবা, থৌদাং স্পোর্টস